ৱারী ককনাউ

# সাপম ওংবী ইবেমহল

ঈশৈ শকপা, পূঙ য়ৈবা লোইনা থুংঙরে। মখোয়-মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপা হৌরক্লে, পূঙদু খুনবুংনি ফজখ্রবা মৈতৈ পূঙগী নুংশিরবা মখোলদু কৈসু থোক্তে। মরুদুদা খূৎনা থাবদা থোক্লিবা মখোলদু পূঙ মরুগী মখোলবু মান্দে। ফোপ-ফোপ হায়বদগী খিত্তং নিন্তক তৌবা পূঙখোল অমনি। য়ারক্তা ঙংদুনা শক্লিবা ঈশৈদু কনাসু ময়েক শেংনা তাদে। শক্ত য়াদবৈ শকপদু মাল্লি। শক্লিবা মশামকসু কৈসু থোইনা লুনা খল্লল্লোই, সুর চাবা, তান চাবা শকফম থোকই হায়দুনা শক্লিবা হায়দুনি। শক্লা শক্লা মমিৎতু কোয়েং য়েংই। ৱাসু অদুম ঙাঙই। ঈশৈ মরক্তুদা ঈশৈ শক্লিবদুনা হায়রকই,

"অসোমগী থৌরাং লোইদ্রি পুথোক্লবা তৌরসি, ঐখোয়গীদি য়ারে" ঈশৈ মখা অমুক চথুখি। অসুক নুংঙাইতবা পূঙখোল ঝান মখোল অমদি ঈশৈসি কনানসু তশেংনা তানীংদে। মসিগী মখোল অসি অৱা-অনাগী খম থেংবা মখোলদৌনা মী ময়াম্না খন্নে। অদুবু মসিগী মখোল অসি তারকপদুদদি ইমুংদুগী নুপীমচা লৈশাবী মচাদো মখোল হৌনা-হৌনা লৈখিদ্রবী মমাবু কৌদুনা কপ্লী, "ইমা...ইমা...ও! ইমা..."।

শুমাংদা নহা খরা কু চল্লি। খরা অমনা কোয়চেন চেন্দুনা ৱা য়াল্লুবা, শঙ খনবা, টায়র ইন্দুনা পুবা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরি। মাঙ্গোলদা মমায় খুল্লগা নুপী খরসু শুৎ-শুৎ কপ্লী। লৈশাবী মচা অমসু লৈখিদ্রবী মমাগী মনাক্তা চেনশিন-চেনশিন্দুনা লাক্ল-ফানা ঙমদখৈ কপ্লী। মী খরনা কোনশিন্দুনা খাম্মী। ***"লাইবক্তা তল্লল্লবনি খন্দোক-ও"***হায়না কন্না থেম্মী। নুপীমচা লৈশাবীদুদি থেম্ম-থেম্মগদুম হেল্লক্লি। শুমাং মচি অমদা লৈকায়গী অহল ওইরবী হনুবী অমনা মৈফুদা শ্বর ফু-ফু কামদুনা হুমাং জি-জি তাখৈ নুংশা মরকসিদা মৈ থাগৎপা লাক্লরি। তোর্ব্বানগী থৌরাং লোইরদুনা পুথোক্কদবদা ঙাইরে।

"ইবোহলদুবু কায়দা চৎখ্রগেনে, ইবোহল...ইবোহল..." লৈকায়গী খুরা চাউবনা কৌ-কৌদুনা কোয়থি থিরকই। তাইবোহলদি ঙসাইদগী য়েনখাদা মঙক্তা য়াল্লম্বা মল্লবা খুদৈ অমনবদুনা মখ্বাংগা মখূগা পান্নদুনা কন্না পূনশিল্লগা ৱাসু হায়দে, কৈসু হায়দে, কপসু কপ্তে, তুমিন উংদুনা ফম্মী।

"ইহ! ইবোহল নঙদি সিদা কৈদৌরিবা, ঙসাইদৈ নঙবু কোয়থি থিনরিবনি, লাউ-লাউ বৈশানবীসি অরোইবা ওইনা অমুক্তা খুরুমহৌররো, লাকওনে"

তাইবোহলদি পাক হৌগৎতে, অহলদুনা হায়মনবদগী হৌগৎলক্লগা শুমাংগী খাঙেনফমদা লা অমদা হিপ্লিবা মহাক্কী নুপীগী মনাক্তা তপ্না চঙশিল্লকই। শোল্লিবা নুপাদুনা তৌগদবা মখৈ তাইবোহলদা তাকই। তাইবোহল মদু তাবরা তাদব্রা খঙদে, তুমিন শিরিবা মাগী নুপীদা মুন্না য়েংই। অৱাবসু উত্তে। নুংঙাইতবসু উদে। মমায় মপা অদুৱাইদা তপ্না ফমথরক্লগা, মুন্না য়েংলম্বদগী য়াম্না ঈংনা তপ্না হায়রকই,

"ইবেমহল, নঙনা শিরিনেনা তৌরিসে য়াম চুমদে। হৌজিক লৌ পান্নবা হায়দনা কন্না হোৎনরি, নোং তারক্তবগীবু ৱাগদ্রা, লৌহোন লৈতবগীবু ৱাগদ্রা? করিনো তৌদৌরিসে ঐ ৱাখলগা অমত্তা থোক্ত্রে। সুক য়াম্না মথা শারিঙৈ চৈরকসিদা, নঙনা তৌরিসিবু ইবেমহল নঙ ৱাখল য়াম্না খনমন্দে। খোংবান্দগী বালতিন পায়দুনা ঈশিং শিৎকৎলগা, লৌহোন হুন্নবা হায়দনা কন্না হোৎনরি, ইশাসে মীৎকুপ অমফাওবা পোত্থাবা শংদবমখৈ সুক কন্না হোৎনরিঙৈসিদা নঙনা শিনি হায়দুনা শিরিসে, য়াম নাতৈ চাদে। মতাং য়াম চাখিদ্রেবো ইবেমহল..." অহিংবা মী অমদা হায়বা মান্না কৈসু মোং হাদনা হায়রিবা ৱাদু শোল্লিবা বামোন্দুনা মুন্না তাই। মানা ইল্লিবা ফিদুনা মচিন খুল্লগা থিৎলি-থিৎলি নোক্লি। মী হায়রপ য়েংলগা নোক্তবা শাদুনা অমুকসু লৈ। ঈশৈ শকপা, পূঙ য়ৈবা কাঙবুদুদি কৈসু থোইনা খন্দবা মাল্লি। মোইগী শকফম থোকপদু অদুম শকথরি। মমৈদা শোল্লিবা নুপাদুনা চঙশিল্লক্লগা তাইবোহলগী মঙকশমদু তপ্না পায়রগা হায়রপ নোম্থহল্লি। অদুগা মশা শাগলদা চিংখৎতুনা অদুম পুথোকখ্রে। কুইদে, সাপম ইবোহলদা ময়ূম পাল্লকপদগী সাপম ওংবী হায়রিবা ইবেমহলগী অরোইবা খোঙচৎ অদু পুঙ-ঝালগা লোয়ননা ৱা-ৱা কপ্তুনা চৎপা হৌখ্রে।■

- **নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মতম মতমগী ৱাফম

# হিজম অঙাংহলগী মীনাই লুহোংবা অমদি ঙসিগী খুন্নাই




অঙাংহল কনানো? অঙাংহলগী মরমদা কয়ারক হন্না নৈনখ্রে। মখল মখা কয়াগী খোরিরোলগী পুক্কেদা মহাক্লা ৱারেং, শৈরেং, ড্রামা, নোভেল,অচৌবা মহাকাব্য 'খম্বা থোইবী শৈরেং' ইবীরম্মী হায়বা ঐখোয়না খঙনখ্রবা ঙাক্তনি। মহাকপু 'মহাকবি' মিংথোল পীদুনা অইবশিংগীলক্তগী ইকায়খুম্নবীরি। লিঙ্গুইষ্ট ডা. সুনিটকুমার চেটর্জির্জনা 'নেস্নেল পোইটনি' হায়না শীংথানখিবসু লৈখি। চৎলিবা চহী অসি মহাক্কী ১২৭ শুরকপা মপোক কুমওন চহীনি। মহাক্কী কুমওন্না লাকপসিদা অচোয়বা শৈরেং মরক্তগী 'মীনাই লুহোংবা' হায়বসি ঙসি ঐখোয়গী পূন্সি মহীং অসিগা চাননা থোকলকপসিদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। ঐখোয় লমদমসিগী মীয়ামশিং, মীনাইগী পূন্সিদা হৌরকই। লাল্লুপ কারকই। অচৌ মচা, লাইরবা ইনাক খুনবা, লৱায় ইম্ফাল, মাংবা শেংবা, ওন্থোকপা মওং অমগী পূন্সি মহীং ঙাক্তদা হৌরকই। ঐখোয় ঙসিদি খন্নদ্রে, নীংশিংনদ্রে, কাওনখ্রে। কনাগুম্বনা,হৌখিবদি হৌখিবনি, হৌজিকপু থায়নগী থৌদোক নীংশিংলগা কৈদৌদৌরিবনো হায়নবসু লৈগনি। তৌববুদি লৈশেমলকপদা, খুন্থোকলকপদা চৎনরকপা লোয়নরকখিবদি নৎতে। মরক্তা মহাদা তাঙ্কক অমদা নঙখিবনি। পূন্সি হায়বসি হৌখিবা য়াওদনা ওইথোক্তে। হৌখিবা কাওফম থোক্তে। কংলৈপাক মণিপুরগী ৱারীসে য়ামখ্রে। অথোৎপদগী অকনবা, তুকৎচবা, য়েংহৈ তাহৈদ্রবা থৌদোক কয়ানা লৈ পরেং ওইনা লেঙলগা ঙকশমদা শিদুনা লাকখ্রবনি। মতাংসিদা অঙাংহলবু নৌহৌননা নীংশিংলকই।

ঙসি মখল কয়াগী মমল তাঙলবা কার তোংলে। ৱাংলবা মথোল কয়াগী ব্যান্ডিং শাবা ঙম্লে, ঙক্তা সনাগী লীক অচৌবা শিরে, লাইরিক হৈরে, ইচা ইশু মহৈ মশীং তমহন্নবগীদমক মপান্দা থাবা ঙম্লে হায়না খঞ্জরগসু ঐখোয় মতম অমা ওইখিবা মীনাইগী পূন্সি অদুমদি অদুম লোইনরি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংদবগুম তৌই। য়ূম মথোল শারবসু, কার মমল য়াম্বা তোংলবসু লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্তি ইনাক খুনবা নত্তে। অৱা অনা তারবা, নোংমগী চারা তানবদা ৱারবা মীওই কয়া ঐখোয়গী মরক্তা হিংলি। মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুং অঙম্বনা মৎপীরি। মখোয়গী মচা মশুদি অচৌ অশাংগী মচাগুম্না মহৈ মশিং তম্বা ফংজদ্রি। মখোয়গী মফমদা অৱাংবা ৱাখল খঞ্জবা ঙমদে। হিংবনা মরু ওই। নোংমগী, হৌজিক্কী খনবনা মথৌ ওইরি। মসিদা কদায়দা মপূ ওইরিবগে,মসি মীনাইগী পূন্সিনি। ঐখোয় মীনাই কোকত্রি হায়বসি হৌজিক হিংলিবা পূন্সি মহীং অসিদা অদুম উরি। ঐ খক নুংঙাইরগা লোইরে খল্লগদি খুন্নাই অমগী চাউখৎপা মশক করম্না পুরকপা ঙমগদগে। হৌজিক্কী লৈঙাকপশিংগী কাঙলোন, রাজনিতি ঐখোয় খঙদে, নৈনবসু পামদে। অদুবু চৎনরিবা তৌনরিবশিং অসি উরগদি খংঙি অদুঙৈগী লুচিংবা মপূ, নিংথৌ খরগী ৱায়েন লৈঙাক- লাল্লুপ কাবা, মংকৎ, লোইপোৎ কাবগী চৎনবী মশক মওং, মমিং মান্নদবতনি হৌজিক চৎনরিবসিগা থোয়না খেন্নদবগুম উরি। তাহৈদবা ৱারীশিং-ঙম্মী হায়দুনা মপুরোইবা লৈরবী কনাবু ফাদুনা পুখিবা, লৈমা ওইহনবা, নমজা নমথেক্লবা য়াদ্রগা মরাল অমা পীশিল্লগা হাৎতোকপীখিবা, মপুরোইবা লোক্তাক ঙামি থেম্নবা, লোই থাখিবা .. মীগী ইঙ্খোলদা হৌবা তেরা পাম্বী শিহনবা য়াদে পাল্লবা মতমদা মপুদা কৎলগদবনি হায়বা, মপোৎ মৎপীবা..অসিনচিংবশিংসি মপুনি হায়বশিংনা হেক হেক তৌদুনা লাকই। মসি লমদমসিগী ফোক টেল নত্তে, চাকঙাই ৱারী নত্তে। ৱারী মচা, নোভেলসু নত্তে। ফেক্টনি অশেঙবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসি হিজম অঙাংহলনা তারকখি উরকখি। মহাক্লা ইখিবা 'মীনাই লুহোংবা' 'মৈতৈ রং' 'ৱা তান্নবা' শৈরেংশিং ঙসিসু অদুম ঐখোয়গা চানরি। ইরক্তা হিংবগুম উরি। শৈরেং হায়বসি পূন্সি কয়াগী লোয়নরিবা মশকশিংগী মমিনি, মনিলনি, মনমনি হায়নিংঙি। কোইপাই পাই, কোইচৎ চৎলি। অঙাংহলনা ইদুনা ফোঙদোকলম্বা শৈরেংশিং অদুনা পুন্সিগী মশক শক্তম অমমম ওইনা হৌজিকসু চোংথোকলকই।

অঙাংহলদা মমা লৈবাক মরমদম নুংশিবগী ইথিল লৈখি। ইরমদম, ইমা লৈবাক নুংশিবা হায়বসিমদি ইথৌদাংনি। ইমা লৈবাক ইরমদম নুংশিবগী ঈরিক পকত্রগদি পূম্নমক অরেম্বা ওইগনি। মরৈবাক মরমদম নুংশিদবা মীসু লৈরমলোই। অঙাংহলনা ইবা শৈরেং 'মীনাই লুহোংবা' হায়বা মিংথোল অসিনা মহাক্লা মীয়ামগীদমক, মরৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরদি খনবা হৌরে হায়বসি তাকখি। খুন্নাইসিগী লীচৎ শাজৎ খরা উরুবদা তুমিন্না লৈবা ঙমলক্তবা, ফুক ফুক হৌগৎতুনা চৎনিংলকপা, য়ানিংদবগী খোল্লাও লাওনিংলকপসি মহাক ঙন্না অইবা অমা ওইনা ফাওখি। অঙম অথৌনা পানবা মতমদা খ্বাইদগী অৱাবা মায়োক্লবসি মীচমশিংদনি। অঙম অথৌগী মনাই ওইবা, মখোয়না হায়বা ইন্দ্রগা নৎত্রগা মখোয়গী মায়োক্তা লৈরুরবদি চৈরাক ফংহনবা, ইন্থোকপা তান্থোকপগী চৎনবী লৈরমখি। মহাক্তা নত্তনা ইমুং মনুং হুপ্না অৱাফমদা তাহল্লি। মসি লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ মতমদসু অদুম থোকখিবগী ৱারী ঐখোয়না থেংনৈ। মনাই ওইরুবদগী খ্বাই নুংজেং পীবানা নঙখিবা অৱাবসিসু অমনি। মপূগী মীনাই পূন্সি ওইরুবনা মাগী নুপী হাওনু চাখানুগা য়ূম্বাল পূন্সিদা খাইবোক তানরকখি। মদুদগী শীংনরকই মীনাই পূন্সি লোইশিন্নবা হোৎনখিবগী ৱারী ঙসি ফাওবা ঐখোয়না 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়দুনা খঙনরি। ধর্ম্মগী মিংদা মাংবা শেংবা খায়খিবা। অঙম অথৌগা শম্নবা খরনা মশাগী শেনমিৎলোন ফগৎনবা মীচম মীয়ামদগী শেনখায় খোমগৎতুনা লেমজা চাখিবা কয়ানি। হৌজিকসু অদুম থোক্লি। মীয়ামগী চানবা চেঙ মাঙখ্রি। নক্লবা কনা অমদি শেন্দোং ফঙলম্বসু য়াই। অঙম অথৌ খনবা কাঙবুতনা মীবু মনাইগুম্না খল্লি। মীশিংসে মীনাই ওইনা লোইনা উবগুম তৌরি।

মতম অমদি লমদমসিদা চৎনবী অমা ওইনা, ব্রহ্মসভা হায়দুনা মীওই খরতনা শেম্বা খূৎপু অমনা মপূং মরৈ ফারবা নুপা নুপী খুদিংমক লাইবক্তা চন্দন থিনগদবনি, চন্দন থিন্দবা মীওই অমত্তা লম্বী লমজাওদা চৎথোকপা য়াদে অদুগুম্বা চন্দন অদুসু ব্রহ্মসভাগী মীওইদগী পৈশা পীদুনা লৈগদবনি হায়বা চৎনবী অমনা মীচম মীয়াম অমদি মীনাইশিংগী পূন্সিদা চাওনা খুদোং থিবা কয়া নঙখিবগী ৱারী থৌদোক লৈখি। চন্দন থিন্দবা মী অদু অকনবা চৈরাক ফংগনি হায়না লাওথোকহন্দুনা নমদুনা থিলহন্নবগী চৎনবী লৈরকখি। চন্দন থিলহন্নবগী য়ূমথোং খুদিংদা শেল খায়হনবা মীসু ব্রহ্মসভানা থম্মী। শেল খায়নবা মীবু 'রতন' হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা থৌওংসিবু ঙসি ফাওবা 'চন্দল শেলখায়' হায়না খঙনরি। অসিগুম্বা মখল মখলগী শেন্দান লম্বী মখল অসি মণিপুরদা মাঙলমচৎতা চৎনরমখি। পনবা য়াবা খরদি - চন্দন শেনখায়, পাচ নাপিৎ, পালা শেন্তেক, কাংচিং থৌরীগী মমল লৌবা অসিনচিংবশিংনি। শেন্তেক অসি মণিপুরগী মীয়াম ৱাবনা খম থেংনখিবা অমনি। শেনখায় হুনবা ঙমদবা মীদি কছারদা বংলাদেশতা ময়ূম হুন্দোকলল্লগা চেনখিবনা অয়াম্বনি। অসুক শাথিবা মীচম মীনাইগী পূন্সি মহীংগী লীচৎ অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা মতম অমা কন্না চৎনরমখি। মসিগী মায়োক্তা মাঙজিল থানা কন্না চোংথোকখিবসি হিজম শাগৈগী অচঙবা মপারি অনী হিজম অঙাংহল অমদি হিজম ইরাবতনি।

ঙল্লিঙৈগী মতমদা লুহোং খোংদোংবা,নাহুৎ নারেং, ফিরোইনচিংবা থৌরম পাংথোকপা মতমদা মীচম মীয়ামশিংদি অরৈ অরৈবা ফি শেৎনরগা শরুক য়ানৈ। অঙম্বা পোৎয়েং পোৎপাং পীনৈ। পীদবা য়াদে হায়বসু লৈনরমদে। থৌরম চাওবা পীকপা থোইনা থিনদে। মপু মনাই হায়বা থোইনা উবা ফংদে। খরা মওং মান্নদবা থৌরাং অমা হেক পাংথোক্লবদা চঙশিন্দুনা হংনরুবা মতমদা লৌন লৈনরিবসি করম্বা শাগৈ নাতৈ ইমুং মনুংগী মচা মশুনো খঙবা ঙম্মী। মীচম অমগী মচা মশু লুহোং কৈহোংবদা শামু তোংদুনা থিনবা ঙম্নদে। অয়াবসু পংপী পীনরমদবগী পাউসু লৈ। অওং অউন চাউনা তমদুনা লুহোংবা, শামুদা দোলাইদা থিনবা মহাক অদু শাগৈ জাৎ ফবা অঙম অথৌগী মচানি খঙবা ঙম্মী। মীনাইগী মচা ওইবশিংদি মখোয়গা মান্ননা লুহোংবা, কে মৌবা অহেনবা তৌবা য়াদবগী চৎনবী মণিপুরদা লৈরমখি। নিংথৌগী মনাই ওইরগনা নিংথৌনাইনি, লৈমশিংগী মনাই ওইরগনা লৈমনাইনি। লৈমনাই, নিংথৌনাই হৌজিকসু য়ূম্ফম লৈরি। মনাই মশেলগী মচা মশু মখোয় মশেল লৌন লৈনবা নত্তনা অহেনবা থাক ৱাংবা মচা মশুগা নক্লবা, লৌন-লৈনবা য়ারমদে। অসিগুম্বা চৎনবী ময়াম অসি অঙাংহলনা মহাক্কী খোর্জ্জেদা অকনবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা য়েকলকখি।

মীনাইদি চাউখৎপা য়াদে। অহেনবা তৌবা য়াদে। অৱাংবা ৱাখল খনবা য়াদে হায়বসি করম্না ঐখোয়গী সনা লৈবাক অসিদা চৎনরম্বনো? হিতলরগী লৈঙাক মানবা অসি করম্না মফম অসিদা য়ৌরক্লম্বনো? মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়রিবা ঐখোয়গী লমদম অসিদা নীংতম্বা হায়বসি কনা কনানা নীংতমগদবনো? অচৌ অশাং, অঙম অথৌ, য়াইতোং ফমদোংবা, লুচিংবা খকতমক নীংতমহল্লগা লৈপাক মীয়াম্না মনিং তম্বা ফংজদনা মীনাই ওইনা অসুমক লৈহনবা অসি মান্নবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরিব্রা? মীনাইনা কন্না থবক শুখৈ শুরগা মহৈনা মপুনা চাবা হৌজিকসু অদুম কদায়দনোমা অদুম উগুম তৌই। স্বাইসিদনি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং হেক হেক নীংশিংলকইবসি। "মীগী ময়ূম্নি মীগী য়ূমফম্নি,নঙগী কৌবা য়াওদরে,নমিৎ পাল্লি উদরে নখুৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে। নখোং পাল্লি চৎপা ঙমদে নচিন পাল্লি কান্নদরে। মপুগী লাংদা তাদুনা মীনি হায়বা কাওরবোইরে।.. হৌজিক হৌজিক য়েংলবদি মীনাই কোকপা হৌনদে মীনাই মরু হুনফদে মীনাই পাম্বী খকসু লীংফদে। ভিস্ম ব্রত তৌজদুনা মীনাই পাম্বী ফুকতোকখিসি। মীনাই পাখংশা! মীনাইনা মীনাই পোক্লবা মীনাই লুহোংবা তৌনুসি।" অঙাংহলগী শৈরেংগী ৱাফমসি লাইৱানি হায়বা য়াই। মীচমসু মপুনি হায়বসি লৈঙাকপশিংনসু খনবীবা চুম্মী। মপু লোইনমক্লা ওইমিন্নরবদি চাউখৎপদা খুম্মাং চাওশিনগনি। মসিগীদমক ঐখোয় অঙাংহলগী "ৱা তান্নবা" হায়বা শৈরেংসি অমুক হন্না পামিন্নখিবা মথৌ তায়। ■

- ***মাখোনমনি মোংসাবা***

শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

***(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা )***

## ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা

*(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)*

"হায়বিয়ু" - খোঞ্জেল গোরো গোরো লাউরদুনা মানা হায়, "ঐঙোন্দা শেংনা হায়য়ু - নুপা অসিনা সিদা লৈবসি ঐবু লান্না খনব্রা, খন্দব্রা?"

"খন্দে"

"অদুবু, - অদোইসু ঐ অফবা নুপী নত্তে হায়বসিদি নঙনা খঙই। লমচৎ নাইদবা পুন্সি অমা ঐনা লেল্লে হায়বা নঙনা খঙই।"

ঐ ঙহাক তুমিন্না লৈরম্মী। মাগীদু লাল্লবসু অচুম্বা মানবা চমম্নবা ৱানি অমসুং মদুগী অশেংবা লংলা লংজিন পুথোক্লবা ঐগী পাম্বৈ লৈখিদে। মফমদুদা লৈরম্লিবা মী পূম্বনা মাগী মরমদা লোইনা খঙই। মদু ওইদুনসু ঐনা মাবু লমচৎ কাম্লবী অমদি লৈখা তারবী অমগুম খনবদি ঙমখিদে।

খঙহৌদনা মহাক হৌগত্তুনা ফমখি, মকোক্তু ৱাংনা থাঙ্গৎলদুনা "ঐ নঙোন্দা ৱা অমতং হংবা য়াগদ্রা?" মানা হায়রকখি, খোঞ্জেল কল্লপ অমসুং মতিং লৈনা "নুপা অমনা, মহাক য়াম্না ওক্তবা, লৈখা তাবা লমচৎ চৎলুরবসু মাগী লমচত্তু শেমদোক্তুনা মাগী ইমুংদা অমসুং মানা পোক্লুরিবা খুন্নাইদুদা অমুক হল্লক্তুনা তিল্লবা য়াহল্লগা নুপীবুনা পিকখ্রবা মরাল অমা লঙজরুবগীদমক মাগী থোঙ পূম্বা থিংজিনবীবসি করিগীনো?"

ঐ ৱাহংদুগী পাউখুম পীনীংঙাই লৈরমদে।

"ঐ নহা ওইরম্মী অমসুং ইরাল লৈজদবী ওইরম্মী। মীয়াম্না ঐবু খুদোংচাবা লৌবীদুনা মাঙহনবীখি অদুগা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা তাহনবীখি। ঐগী অনৌবা শক্তম অমা লৌননবা হৌজিক ঐনা থিরি, মদু নঙনা ঐঙোন্দা কৈদৌবৈ পীরোইদৌরিনো?"

প্যারীনা ঐগী মায়দা মীৎফম হোংদনা কুইনা য়েংদুনা লৈখি। মাগী মমীত্তুদা করিনো মশক তাকফম, হায়ফম খঙদবা মতৌ অমা য়াওরম্মী। "য়াম্না ফরে", মহাক্লা হায়রকই, "অদুদি নঙনসু ঐবু থিংবা ঙমদেদনা।" হায়ফেৎ লোক খুখিবগী মখোল অমা তাখি অমদি রতন থোঙজিন্দা লেপ্তুনা লৈরমখি।

"করি লৈরে রতন", হৌগত্তুনা ফল্লগা প্যারীনা হংখি।

"মতমসে য়াম্না থেঙলে। চাকথোংবদি চাকখুমদা থোক-থোক উইদুনা খাঙলে। বাবুগী লুক হাবা মতম য়ৌদ্রিবরা?"

"ইস: হরে হরে!" প্যারী মরাল লৈরবগুম অমসুং হাইফেৎ ইকায়বোই করিবোই হায়রকই, "ঐদি মতমগা পূমকাউ কাউথোক্লুরেদনা। নখোয় পূম্বা য়াম্না লাম্নরম্লনি।"

প্যারী থুনা মখাদা কুমথখ্রগা, হান্নদগী তৌবগুম ঐগী চাকলুক্তু মখূৎমক্লা পুরক্লে। অদুদগীদি, ঐনা চাকচাবা লোইরবা মতুংদুদা মহাক ঐগী কাদা চঙলক্লগা কাংথোল মখোঙদা শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্তুনা হিপথখ্রে। মতমদু অহিংগী পুং ১ তাখ্রে।

মানা হায়রকই, "নহাক নশূংলাংগী ঐ অহিং কয়া তূম্বা য়াখিদে, নঙনা পাল্লবসু পামদ্রবসু অহিংসিমদি ঐনা নঙবু তূমহন্দনা থমগদৌরিবনি। ঐ মুন্না খন্থরগা হায়রবনি - ঐনা নঙবু বর্মাদা চৎহনখিবা ঙম্মোই।"

" অদুদি ঐনা তৌগদবসি করিনো? হৌজিক তৌরিবা অসুম্না খরুং মফম চাদবদৌনা অদুম লৈয়ু হায়ব্রা?"

মদুগী পাউখুমদি প্যারীনা পীগে খন্দ্রে। মদুগী মহুত্তা মানা ৱাহং অমা ওইনা হংলকখি।

"অসুক থাপ্পা লমদা চৎকে খল্লিবসি করিগীনো?

"ঐ থবক অমা তৌনিংঙি। হরাউ-তয়ামগে, নুংঙাইথোক্কে হায়দুনা চৎকদবা নত্তে।"

প্যারী হৌগত্তুনা শাউরংননা ফম্মী। ঐগী মায়দা মীৎফম হোংদনা য়েংদুনা লৈখি অমসুং মথম্মোয় শোক্লা হায়রকখি, "নঙগী কোয়চৎ চৎপা পাম্বা ৱাখলদুদি থাদোকহন্নীংই। নঙ লুহোংলগা ৱাখল লৈতানা নুপী - অঙাং য়োক্তুনা লৈহন্নীংই।"

"ঐনা মদু তৌরগা নহাক তশেংনমক নুংঙাইগদ্রা"

য়ানীংবগী মঙক্তু কন্না নোম্মনখ্রদুনা মাগী নাপগী সনাদু ইরং লংনা কুফেৎ-কাফেৎ তৌদুনা ফ্র-ফ্র হাইরম্মী।

ঐনা হায়, "মদু ঐগী অৱাবা কোক্লবা লম্বী অমনি। তশেংনা হেক হায়রবদি থবক অদুগীদমক্তনি ঐনা হন্দক পাটনাদা লাক্লিবসি। ঐ লুহোংগদৌরে হায়না নঙোন্দা তমগে লাকপনি।"

"অৱোইবরা? মদু তৌগেমক খল্লব্রা? মদুগীদমক ইমা ইবেম্মা কালিগী মফমদা ঐনা হায়জ দুনতা লাকখিবনি, হৌজিকসু খুরুমজরিবনি, - অদুনা অরোইবদদি ইমানা ঐবু থৌজানবীরেদনা। অদুগনে মসিমদি কাউবীগনু, নুপীদুদি ঐনা অপাম্বা খনগদবনি।"

"নঙনা খনবা য়াররোই। নুপীদুদি হান্না হায়ন-শীংনদুনা লৈরে।" নোক্লম্বা মায়থোঙদু মকশিনখি। "মদুদি অফবা নুংঙাইবা পাউনিদনা।" মানা হায়রকখি।

"ফরিব্রা ফৎত্রিবরা ঐ খঙদে। ঐনা খঙবা হায়ববু ঐগী লুহোংবগী ৱা লোইনখ্রে। মদুদগী নাম্থোক্তুনা চৎপা য়াররোই, পাম্বৈ লৈতে।"

খুদক্তা বঙ শাউগৎলকখি প্যারী। খোঞ্জেল কন্না লাউরকখি, "মদু নঙগী অশেংবা নতাৎ ঙাক্তনি মতম চূপ্পা নঙনা ঐবু কৈসু লৈতনা, মীরায়না খল্লিবসি করিগীনো?

"ঐনা হৌজিক হায়খিবা ৱাদু অহকপা হোংবা য়াদ্রবা, অরানবা মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা অচুম্বনি। মসি য়েংঙুসে।" মসি হায়রগা ফুরিৎখাউদগী চেবাউ অনীখক লৌথোক্তুনা মঙোন্দা পী।

লৌদি লৌরগা মানা ৱারৌনা হায়রকই, "ঐ মীগী চেবাউদি পাদে।"

"অদুদি, মী অমগী তুংগী পুন্সিগী মতাংদসু নঙনা ৱাবিফম থোক্তে।"

"করিমতা ৱাদে, - শূকৱা ৱাদে।"

তৌবগীদি মানা চেবাউদুদি পীথোরকপা তৌদ্রি। ঙাহাক লৈরগা টেবল মনাক্তা চঙশিনখ্রগা থাউমৈগী মঙালদা চেবাউশিংদু পাখি। হায়নীংঙাই লৈতনা কুইনা শাংনা লৈরুরবা তুংদা ঐগী ফমুং মনাক্তা অমুক চঙলকখি। মানা তপ্না হায়রকখি "তূম্লবরা?"

"তূমদ্রি।"

"নঙনা নুপীমচাসি লৌবা ঐ য়াবা ঙল্লোই। পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা ঐনা মাবু মশক খঙলক্লবনি। মহাক অফবা নুপী নত্তে।"

"ইমাগী চেবাউদু পারেদনা?"

"উম্, পারে। মদু ইন্দবা য়াদে, শোয়দনা কায়ফদনা তৌগদবনি হায়বা ৱা অমত্তসু য়াওদেনা, অদুগা করিগুম্বা অদুগুম্বা য়াওরল্লবা ফাওবা ঐনা নঙবু মাগা লুহোংহল্লোই। মসি ঐগী অরোইবা ৱানি।"

"ঐনা লুহোংগদৌরিবসি করম্বা নুপীগনো?"

"হৌজিকমক খুদক্তা হেক্তা হায়বা ঙমদে। মদুগী মরমদা ঐ মুন্না খন্থরগা লেপকনি।"

"নঙনা য়াবা, পামজবা চনুরাদু ঙাইদুনা লৈবা তারবদি, ঐ সুম পাখং ওইদুনা অদুম তোকপসু য়াই - য়ামদ্রবদা হন্দক্কী মপোকসিমদি। ঐগী মথংগী মপোক্তা ঐখোয়নী অমুক থেংনসি, থুংনসি। মসিমক শোয়দবা ওইসনু। ঐ হৌজিকমক লুহোংদবা য়াদে হায়বা করিসু লৈতে। অদুবু, নুপীমচাদুদি লুহোংথোকপীবা তারি। লুপা চামঙাদংবু লৈরবদি অদুম কোন্নরনিদা। মদু মাগী মমাদুনা ঐঙোন্দা হায়বনি।"

নুংঙাইমনখিদুনা হৌগত্তুনা লেপ্লী প্যারী। মানা হরাউনা হায়রকই, "শেলদু হয়েং শোয়দনা থারক্কে।" অদুদগী খরা চীংলেম্বা মওংদা হায়রকখি, "ঐবু থাজ বিয়ু, নুপীমচাদু নঙগীদমক্তা মতিক চাবা ওইদে হায়বগীদমক মাগা লুহোংবা য়েৎপগী ৱাতনি। নৎলমদ্রবদি..."

"নৎলমদ্রবদি কৈদৌদোইবা?"

"অতৈ কৈসু নত্তেদা। নঙনা লৌবদা মতিক চাবা লৈশাবী অমা ঐনা থিগনি অমসুং ফংলগা কোন্না হায়রক্কনি।"

"নঙনা হোৎনজরিবদু অরেম্বদা তাগনি", ঐনা হায়খি, "ঐগী ওইবদা মতিক চাবী কনামতা নঙনা কৈদৌনুংদা ফংলোই।"

কুইনা, ফনা কুইনা মহাক ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লৈখি। মদুগী তুংদা মরী ইরৈ লৈনদনা মানা খংহং হংলকখি, "নঙনা বর্মাদা চৎপদা ঐসু পুবিগেরা?"

"ঐগী তুং ইন্দুনা চৎনবগী নথৌনাদু লৈজরব্রা?"

ঐগা মীৎচাননা য়েংলগা প্যারীনা হায়, "ঐঙোন্দা মদু লৈরম্লোই হায়না তশেংনা খনব্রা?"

"নঙগী পোৎ-চৈ ময়ামসিনা কমদৌবা? নঙগী য়ূম, উপু, কাংথোন, ফমুং অমসুং নপোৎ-নরল ময়ামসিনা কদাইদা?"

"লোইনমকসি ঐনা বঙ্কুদা পীথোকখিবনি। হিংনবগী শেন্দান লম্বী ফংনবা তৌদবা য়াদদুনা নঙবু বর্মাদা চৎহনখিবা থোক্লবদি ঐগী ইরন-ইথুম ফনা য়াম্না লৈজদুনসু মখোয়দুনা ঐঙোন্দা করিবু কান্নরুগনি।"

ঐ ফৈ-ফত্তে অমত্তা হায়রুদ্রে। পাক চাউনা শন্দোক্তুনা মাঙদা লৈরিবা অমম্বদুবু ঐনা থোঙনাওদগী মীৎ কুপ্তুনা মুন্না য়েংদুনা লৈখি।

ঐগী পূক্লিং থৌদোকপা ওইনা প্যারীনা হায়রকখি, "অদুক থাপখ্রবা মফমদুদা চৎপগী করি তঙাইফদবা লৈ? ঐগী লৈরিবা শেল অসিবু নঙোন্দা ইকানমক কান্নররোইদ্রা?"

"হেরা, মদু ঐ কৈদৌনুংদা শীজিন্নরোই।"

"মদু হায়রক্কনি হায়বা ঐ হান্নদগী খঙঙি। অদুবু নঙ ঐবুদি পুবিররোইদ্রা?" মোল্লবা, হুমাং কারবা অচোৎপা মখূবাক অদুনা ঐগী খোঙ পায়রদুনা মানা হায়জরকই।

-মথং-মথং